# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অসিয়ন সম্মিট য়াওনবগীদমক লাউস মায়কৈ পাংখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৭(এজেন্সী):

ইন্দিয়া-অসিয়ন সম্মিট অমসুং ইষ্ট এসিয়া সম্মিট য়াওনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লাউসকী ভিয়েন্টিয়ন মায়কৈ পাংখ্রে।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মনুং চন্না থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউস মায়কৈ পাংখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাশ স্বারুপনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লাউসতা হেক থুংলুবগা মোদিনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগা উনদুনা লন্নাই ওইনা ৱারী শানগনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমদি এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) সম্মিটতা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক ১০- ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, সিঙ্গপোর, ব্রুনৈ, কম্বোদিয়া, লাউস, ম্যান্মার, ভিয়েটনাম অমদি থাইলেন্দগী লূচিংবশিং শরুক য়াগনি।

ইষ্ট এসিয়া সম্মিটতনা অসিয়ন লৈবাক ১০গী মথক্তা ইন্দিয়া, চাইনা, জপান, সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি রসিয়া য়াওগনি।

খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা অসিয়ন লৈবাকশিং মরুওইবা পার্টনর ওইরিবা মরম্না হন্দক্কী খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওই। রিজন অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা এক্ট ইষ্ট পোলিসি মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি।




অমরোমদা, প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা হায়খ্রে মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী নোংপোক অমদি অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ওন্ট্রপ্রিন্যুরশিংনা ম্যান্মার অমদি অসিয়ন লৈবাকশিংদা লল্লোন-ইতিক তৌনবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। লূক ইষ্ট পোলিসিনা মরম ওইরগা ওন্ট্রপ্রিন্যুরশিংগী অনৌবা লম্বী শেমখিবগুম এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অরিবা মতমদগী হৌনা ইন্দিয়ানা ইজিপসিয়ন, মেসোপোটামিয়ন অমদি গ্রীকশিংগা লল্লোন-ইতিক তৌমিন্নদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হন্দক পায়খৎলিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি মপুং ফারবা মতমদা মীওই কয়া খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি। মমাঙদা ষ্টেট কেপিটেলশিং খক্তনা খুদোংচাবা ফংলম্বা অদু হৌজিক্তি খুঙ্গং পূন্নমক্তা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি। পার্লিয়ামেন্টনা হন্দক গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) এক্ট পাস তৌখিবা অদুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীয়ামদা অমুক্তা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মতম অমদা লৈবাক্কী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরিঙৌদা নোংপোক মায়কৈগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মায়কৈ অশোমদা লৈরিবা মীয়ামদা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি। মায়কৈ অশোমদা লৈরিবা মীয়াম্নসু খুদোংচাবা অসি অরেম্বদা মাঙহল্লোইদবনি। ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুনা নোংপোক মায়কৈদা ইন্দষ্ট্রিগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্নবা হোৎনরমই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# পাকিস্তানদা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নরবু ঈকাইবা পীখিবগী মতাংদা ৱাকৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা ঙসি পাকিস্তানগী হায় কম্মিস্নর অব্দুল বাসিত কৌরগা ইন্দিয়ন ইনভোইদা ঈকাইবা পীরকখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানদা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর ওইনা লৈবা গৌতম বম্বাৱালেনা কাশ্মীরদা পাকিস্তাননা খুৎ থিংজিনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুবগীদমক করাচি চেম্বর ওফ কম্মর্সনা ঙরাং ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নরগী থৌরম অমা অরোইবা পুংফমদা কেন্সেল তৌখিবনি।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, থৌরম কেন্সেল তৌবগী ৱাফম অদু থৌরম হৌগদবা শুপ্নগী পুঙ্খায় অমরোমতা ঙাইরবা মতমদা বম্বাৱালে মশাদা খঙহল্লকখি। চয়োল খরগী মমাঙদা মহাকপু থৌরম অদুদা শরুক য়াবীনবা চেবাউ পীরকখিবনি। শীল্লি-লাঙলিবশিংনা থৌরম কেন্সেল তৌবগী মতাংদা চপ চাবা মরম অমত্তা পীরকপা লৈখিদে। অদুম ওইনমক বম্বাৱালেনা হন্দক কাশ্মীরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা পাকিস্তানগী খুৎ য়াওই হায়না ফোঙদোক্লুবগীদমক থৌওং অদু চথুরকখিবনি হায়না থাজনরি। অৱাংবা থাক্কী ওফিসল অমবু মতৌ অসুম্না ঈকাইবা পীবগী থৌওং অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা করাচি কাউন্সীল ওন ফোরেন রিলেসন্সনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্টিব সেসন অমদা বম্বাৱালেনা হায়খিবনি মদুদি, গ্লাসনা শাবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংনা অতোপ্পগী য়ুমদা নুঙনা খক লংলোইদবনি। পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিন্দুনা কাশ্মীরদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহনবগী মতাংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তাননা মশা মশাগী প্রোব্লেম সোল্ব তৌনবা হোৎনবরোমদা পূক্নিং চঙগদবনি। অতোপ্পা লৈবাক্কী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিন্দুনা প্রোব্লেম হেন্না চাউথোকহন্নবা হোৎনফম থোক্তে।

অমরোমদা, পাকিস্তাননা চথুখিবা থৌওং অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা হায়খ্রে মদুদি, নবেম্বরদা ইস্লামাবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সার্ক মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়ানবগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাশ স্বারুপনা হায়খি, সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কো-ওপেরেসন (সার্ক)কী মীফম য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চাবা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। ইন্দিয়াগী ইনভোই অমবু করাচিদা ঈকায়বা পীবগী থৌওং চথুখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌমীশিং মীরায়বীরে : রাহুল গান্ধী



গোরাখপুর, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী):

কিলোমিটর ২,৫০০ শাংনা চৎকদবা 'কিষাণ যাত্র'গী নীনি চনবা নুমিৎতা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী গোরাখপুরদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখ্রে।

দিওরিয়াদগী গোরাখপুরদা হেক থুংলবা মতুংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মহাক্না হায়খি, সেন্টরনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিং মীরায়বীরে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইনাক খুনবা লৌমীশিংগী লোন কোকপীখ্রবসু লায়রবা লৌমীশিংগী লোন কোকপীনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈত্রি। কোংগ্রেস পার্টিনা লৌমীশিংগী খোল্লাউ শোয়দনা তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মমাঙদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৌদা লুপা ক্রোর লীশিং ৭০ রোমগী ওইগদবা লৌমীশিংগী লোন কোকপীখি। এন দি এ গভর্ণমেন্টনসু লায়রবা লৌমীশিংগী খনবীরগা লোন শিংবা ঙমদ্রবা মীয়ামগী লোন কোকপীফম থোকই।

গোরাখপুরগী বাবা রাঘব দাস মেদিকেল কোলেজদা চত্তুনা এনসেফেলাইটিজনা নারবা মীয়ামগা উনরবা মতুংদা রাহুলনা হায়খি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অনা-লায়েংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা হোস্পিটালদা লায়েংলিবা অনাবশিংগী অখন্নবা মতেং পাংফম থোকই। দিওরিয়াদগী হৌরগা দিল্লি ফাওবা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা রাহুল গান্ধীনা উত্তর প্রদেশকী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সী ৮০গী মনুংদা ৫৫দা থুংলুগদৌরি।

অমরোমদা, বি জে পিনা কোংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, শাংলবা চহী ৫৫ গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৌদা কোংগ্রেসনা লায়রবা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলমদে। বি জে পিগী স্পোক্সমেন সুধানশু ত্রিবেদিনা হায়খি, গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৌদা লৌমীশিংগী অৱাবা খঙলমদবা কোংগ্রেসনা ওপোজিসন্দা লৈরক্লবা মতমদা লৌমী মীয়াম্বু নুংশিবা শাদুনা ৱা ঙাঙবা হৌরক্লে।

লৌমীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ব্লেক মার্কেটতা য়ুরিয়া য়োনবা থিংবগা লোয়ননা ফশল বিমা যোজনা হৌদোক্লুনা লৌমীশিংগী মতেং পাংনবা হোৎনরিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী মথক্তা রাহুলনা মরম চাদবা মরাল শীনবা হোৎনরি। য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা এগ্রীমেন্ট কয়া ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসনগা সাইন তৌখি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।


**CAS Medical & Engineering**

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION IS GOING ON**

**REGULAR MEDICAL COURSE for NEET -2017**

**Second batch**

**RESCHEDULED ON 12TH SEPT. 2016**

Special fecialities:-

Free Studentship for Medical Aspirants from

- Toppers in COHSEM & BOSEM Exams.
- NEET Schoring marks above -

435 (General) ; 434 (OBC) ; 424 (OBCMP); 350 (S.C.) ; 350 (S.T.) ; 300 (PH)

For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal

Hostel for BOYS & GIRLS available

HL-B/3236/ 2-17Sept


# মরী লৈনবা পূন্নমক্কা ৱারী শানগদবনি : ওল পার্টি দেলিগেসন



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী):

মমাঙ চয়োলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ফীভম য়েংশিল্লুবা ওল পার্টি দেলিগেসন (এ পি দি)না ঙসি মরী লৈনবা পূন্নমক্কা ৱারী শানদুনা অথুবা মতমদা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌরিবা মীয়ামগী ঈহৌ লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে।

অদুম ওইনমক ৱারী শানবা মতমদা নেসনল সোভরেন্টিদা মস্তিক্লবা তৌরোইদবনি হায়না মীহুৎ কাঙবু অদুনা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লূচিংবা এ পি দিনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সেপ্টেম্বর ৪ অমসুং ৫দা তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি, পোলিটিকেল পার্টি অমদি গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগা উনরুবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবগী মহুত্তা নীংথিনা ৱারী শানরগা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনফম থোকই। হুরিয়ত কনফরেন্সনচিংবা সেপরেটিষ্টশিংবু মমিং পনবদি তৌদনা ৱারোল অদুনা হায়খি, সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা পূন্নমক্কা ৱারী শানবা মথৌ তাই।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, চাউখৎলবা খুন্নাই অমদা ভাইয়লেন্সকী চন্নফম লৈতে হায়বা পূন্নমক্না খঙগদবনি। নেসনল সোভরেন্টিগা মরী লৈনবা ৱাফমদা মস্তিক্লবা য়ারোই হায়নসু ৱারোল অদুনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মথৌ তৌবা য়াদনা লৈরক্লিবা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ, গভর্ণমেন্টকী ওফিস অমদি লল্লোন-ইতিক তৌফম পূন্নমক মহৌশাগী মতৌগুম মথৌ তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুনা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক্কী ইন্টরেষ্ট শোক্লোইদবা মওংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎতুনা কাশ্মীরগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনরগনি। সেমিনর অমা য়াওবা লাকখিবা রিজিজুনা পাউমীশিংগা উনখিবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা মপুং ফানা কো-ওপেরেসন পীরক্তুবদি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা নেসনল সিক্যুরিটিগী ৱাফম লূম্না লৌই। অদুম ওইনমক মীচম মীয়ামদা অকায়বা পীগদবা মওংদা থবক থৌরম অমত্তা লৌখৎপা তৌরোই।

মরকসিদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱারা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক মিলি-টেন্টশিংনা আর্মী কনভোয় অমদা এটেক চথুরকখ্রে। রিপোর্ট অমনা হায়খি, অয়ুক অঙনবদা মিলিটেন্টশিংনা আর্মী কনভোয় অমদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবদা জৱান অহুম অশোক-অপন নংলে। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।


**OFFICE OF THE NINGTHOUKHONG MUNICIPAL COUNCIL**

*Dated 5/09/2016*

**1ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

No. 3. NMC/2/VLT/2016 Notice অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor shed No. 7 Seat No. 4 (North) Licence No. 166/VL/NMC. Smt Laishram (O) Meratombi Dei, W/o (Late) L. Moni Singh of Ningthoukhong W/No 2 গী মীংদা পানবা পোৎফম অসি Smt. R.K. (O) Beigabati Devi W/o R.K. Pradeepkumar Singh of Ningthoukhong W/No. 8 ওনবীরো হায়না এপ্লিকেসন থারক্লে। মরম অসিনা য়েৎপীনিংবা মীওইশিংনা নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি য়েৎপীবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা কমপ্লেন লৌরোই অমদি লাইসেন্স ওল্লগনি।

*Sd-* **Revenue Inspector**,
Ningthoukhong Municipal Council

HL-P/9712/8


# MANIPUR UNIVERSITY
# CANCHIPUR: IMPHAL

NO.MU/9-1/13/Sem/Exam(C). Date: 06/9/2016

The Programme for BA/B.SC/B.Com/BSW/BTT/BFT 1st /5th Semester Examinations, 2016 (November)

| Date & Day | 5th Semester 9a.m to 12 noon | 1st Semester 1p.m to 4p.m |
|---|---|---|
| 23/11/2016 (Wednesday) | Honours paper-V(H-505): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/ Man/Phi /PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Commerce | Home Science-I(101)/Health Education-I(101)/ Environmental Science-I(101) |
| 24/11/2016 (Thursday) | Anthropology-V(G-501) | Physics-I(101)/Political Science-I(101)/BTT-101/ BSW-101/BFT-101 |
| 25/11/2016 (Friday) | Physics-V(G-501)/Political Science-V(G-501)/BTT-501/BSW-501/BFT-501 | Anthropology-I(101)/Physical Education-I(101) |
| 26/11/2016 (Saturday) | HonoursPaper-VI(H-506): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng /Hin/Hist/Man/Phi/Psc /PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Commerce | Computer Science-I(101)/Sociology-I(101)Commerce-E1(101) - Business Communication |
| 28/11/2016 (Monday) | Economics-V(G-501)/BTT-502/BFT-502/BSW-502 | General English-I(101)/MIL-I(101)/Arts/Science/Com |
| 29/11/2016 (Tuesday) | Computer Science-V(G-501)/Sociology-V(G-501) | Economics-I(101)/Defence Studies-I(101)/BTT-102/ BSW-102/BFT-102 |
| 30/11/2016 (Wednesday) | Education-V(G 501)/BFT-503/BTT-503 | Commerce-E2(101) Financial Accounting/Human Right-I(101) |
| 1/12/2016 (Thursday) | Honours Paper-VII(H-507) Chm/Mat/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/Ben/DSt/Soc/Commerce | Education-I(101)/BTT-103/BFT-103 |
| 2/12/2016 (Friday) | Geology-V(G-501)/BTT-504/BFT-504 | Chemistry-I(101)/English-I(101) |
| 3/12/2016 (Saturday) | Chemistry-V(G-501)/English-V(G-501) | Geology-I(101)/Sports-I(101)/BTT-104/BFT-104/ History-I(101) |
| 5/12/2016 (Monday) | Geography-V(G-501) | Botany-I(101)/Philosophy-I(101)/Statistics-I(101)/ Bengali-I(101) |
| 6/12/2016 (Tuesday) | Botany-V(G-501)/Philosophy-V(G-501)/Statistics-V(G-501) | Geography-I(101)/Electronics-I(101)/Commerce-E3(101)- Business Economics & Environment |
| 7/12/2016 (Wednesday) | Mathematics-V(G-501)/Hindi-V(G-501) | Zoology-I(101)/Manipuri-I(101) |
| 8/12/2016 (Thursday) | Zoology-V(G-501)/ Manipuri-V(G-501) | Mathematics-I(101)/Hindi-I(101)/Mizo-I(101) |
| 9/12/2016 (Friday) | History-V(G-501) | Biochemistry-I(101) |

Last Date of submission of Examination Forms: 07/10/2016. Friday (Without Fine)
Last Date of Submission of Examination Forms: 17/10/2016. Monday (With Fine)

N.B. All the Principals of the College are requested to submit the CD cassettes of Candidates list (in MS Excel Format) on or before 15/10/2016 & should mention the number of Students in General/ST/SC/OBC/PH separately.

Sd/-
*(Prof. N. Ibotombi Singh)*
*Controller of Examinations*

HL-B/3309/8


**লায়েংজরি** **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3291/3/09-2/10